### এলিট মেন নেসনল বোক্সিং

# সঞ্জিৎ অমদি কিংসননা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৪(ঐচএনএস): হরয়ানাগী হিসরদা দিসেম্বর ৩১দগী হৌদুনা চথরিবা ৬শুবা এলিট মেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ষ্টেটকী বোক্সর অনী- কৈশাম সঞ্জিৎ অমদি পুখ্রম্বম কিংসননা গোল্ড মেদল অনী লৌবা ঙমখ্রে।

কৈশাম সঞ্জিৎনা ঙসি শান্নখিবা কেজি ৪৮ কাঙলূপকী ফাইনেলদা অন্ধ্র প্রদেশকী বিনয় কুমারবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।



অমরোমদা, কেজি ৫৪গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল বাউটতা পুখ্রম্বম কিংসননা মহারাষ্ট্রগী গৌরব গোসাবিবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেটকী বোক্সর ১১ অমদি ওফিসল ৩না শরুক য়ারি। চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ৬ ফাওবা চথগনি।

ষ্টেট টিমগী ওফিসল ওইনা এল কিষন অমদি এ ইবোমচানা কোচ অদুগা থাংরেংখুপ কোমনা মেনেজর ওইনা শরুক য়ারি।

### ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

# লিঙ্থোইঙানবী লূপনা নুপীগী, থৌবাল পোলোনা জুনিয়র নুপামচাগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৪(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসি-এসননা শীন্দুনা চথরকপা ১৮শুবা ৱিমেন্স অমদি ৬শুবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২২ ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈ লূপনা নুপীগী অদুগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসননা জুনিয়র নুপামচাগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

জুনিয়র নুপামচাগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসননা আর্বিন্দ পোলো ক্লবপু ৭-৩দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

এম অভিজ্ঞাননা অহানবা চক্কর হৌরকপগী ১.০৫দা থৌবাল টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। চক্কর লোইরমদাই থৌবালগী শান্নরোয় অমনা শান্নবগী ৬.০৫দা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ১-১দা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা চক্করদা কেপ্টেন টি ঐচ পামহৈবনা শান্নবগী ১.২৮দা থৌবাল টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। অভিজ্ঞাননা শান্নবগী ৬.৪৫দা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা ৩-১দা আর্বিন্দ পোলো ক্লবপু অনীশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অহুমশুবা চক্করগী শান্নবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল অমমম্ চন্নখি। ওক্রম রাহুলনা চক্কর হৌরকপগী ০.৩০দা থৌবালগী মরিশুবা গোল চনখি অদুগা এল অভিনাশনা শান্নবগী ৩.২২দা আর্বিন্দ ক্লবকী অনীশুবা গোল চনখি।

অরোইবা চক্করদা এ বিজয়না শান্নবগী ৪.২৬তা আর্বিন্দ ক্লবকী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা শান্নবগী ৫.০১দা অভিজ্ঞানগী অহুমশুবা অমদি থৌবাল টিমগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। কেপ্টেন পামহৈবনা মখা তানা শান্নবগী ৫.৪৫ অমদি ৬.০৫দা গোল অনী অমগা হাপচিন্দুনা থৌবাল পোলো এসোসিএসননা আর্বিন্দ পোলো ক্লবপু ৭-৩দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

অমরোমদা, নুপীগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈ লূপনা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবপু ৯-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

এম বিজেন্তিনা অহানবা চক্করগী ২.০৫দা লিঙ্থোইঙানবী লূপকী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অহুমশুবা চক্করগী ৬.১২দা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। এম প্রিয়ানা অহানবা চক্করগী ৩.৪৩দা লিঙ্থোইঙানবী লূপকী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল ৩ অমগা হাপচিনখি। কে ঐচ দেবেন্তিনা অনীশুবা চক্করগী ৫.২১দা লিঙ্থোইঙানবীগী অহুমশুবা গোল চনখি। অদুগা কেপেন্টন কে ঐচ হাবেনা অহুমশুবা চক্করগী ৩.৪৩ অমদি অরোইবা চক্করগী ৬.১৫দা মায় পাকপগী ৫ অমদি ৯শুবা গোল চনবা ঙমখি।

চিঙ্খৈহুনবগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা আই সঙ্গিতানা অরোইবা চক্করগী ১.২০দা চনখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা লংথবালগী এম এল এ করাম শ্যামনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কোন্সম শরতচন্দ্রনা থৌরম মপূ অদুগা রিটায়র্দ লেফটনেন্ট জেনরেল ডা. কোন্সম হিমালয় অমদি টুরিজমগী দিরেক্টর দল্লিয়ু ইবোহলনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

### ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল

# বি এস য়ু কৈরাও ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৪(ঐচএনএস): সোসল ৱর্কর কোংগ্রেস (এস দল্লিয়ু সী) খোংমননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা থিঙুজম ঙানবী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা বি এস য়ু কৈরাওনা এস ৱাই দি এ সাবল লৈকাইবু টাই ব্রেকতা ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা ১-১দা দ্রো ওইখি। অবাজনা শান্নবা হৌরকপগী ১২শুবা মিনটতা বি এস য়ুগী গোল চনবা ঙমখি অদুগা সাকিরনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা এস ৱাই দি এগী ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখিবনি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা সাবল লৈকাই টিমগী মায়কৈদগী অশান মথন্তা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা কৈরাও টিমগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অহুম- ৱাজিদ, অয়াজ অমদি ইমটিয়াজনা গোল ওন্থোক্তুনা ৪-২দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি সাপম কেনেদিনা বি এস য়ুগী অবাজ অমদি এস ৱাই দি এগী সাকির শান্নবগী ৭৮ অমদি ৮৮ শুবা মিনটতা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। অবাজকী অহানবা য়েলো অদুনা শান্নবগী ২৬ অদুগা সাকিরগী অহানবা য়েলো অদুনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা বুক তৌখিবনি।

রেফরিনা মেটচ অসিদা এস ৱাই দি এগী শান্নরোয় অহুম- সাকিফ, রিয়াজ অমদি অশানবুসু শান্নবগী ১৪, ৮১ অমদি ৮৩ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা এ দিঙ্কু অমদি চিঙ্গৈইনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ১ অমসুং ২ অদুগা এম ননাওনা ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ৫ শগোলশেন নুমিৎতা এফ এফ সী এ অংথা অমদি কে এস সী কোংবা অনীনা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# ৱাই এ সীনা থাও ৱিকেট ২দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৪(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা থাও থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই এ সী য়াইস্কুলগী ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ২ শান্নবদা ২মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা নেট রন রেটতা টেবলগী ২শুবা মফমদা লৈরি। অদুগা থাও থাংমৈবন্দনা পূন্না মেটচ ৩ শান্নখিবদা ১ মায় পাক্লগা ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ২ ফংলগা টেবলগী ৫শুবা মফমদা লৈরি।




ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা থাওনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৮.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৫০ লৌবা ঙমখি।

থাওগী বেটসমেন সগোলশেম সন্তোশ কুমারনা বোল ১০০দা রন ৬৬, এন সুরেশনা বোল ২৪দা রন ২০ অমদি রোশনি কুমার ঙাংবমনা বোল ৫৭তা রন ১৫ লৌখি। ইন্নিংস অদুদা য়াইস্কুলগী বোলর সলাম রাজুনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ৪ অমদি ওইনাম কিরননা ওভর ৭.৪ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা ওভর ৩৩.৫দা ৱিকেট ৮ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা থাংমৈবন্দ টিমবু ৱিকেট ২দা মায়থীবা পীখিবনি।

লোইশিল্লকপদা ৱাই এ সী য়াইস্কুলগী ওল রাউন্দর সলাম রাজুনা অহানবা ইন্নিংসকী ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ৪ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা বোল ১৮দা রন ১০ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

# ষ্টেট কারাটে টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৪(ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিলিগুরিদা থা অসিগী ৭তগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮শুবা আই এস কে এফ নেসনল কারাটে দো চেম্পিয়নশিপ ২০২৩দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা মীওই ১৯না শাবা টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিমগী ওফিসল ওইনা এম দি রফিসউদ্দিন, এম দি ফিরোজ খান, এম দি মিলন শাহ (কোচ) অমদি এম দি য়ুনুস খান (মেনেজর) না শরুক য়াখি।

শান্নরোয়শিং অদুনা শৈখ তালিবুর, ইমটিয়াজ, জিয়াউল হক, ফাজুল হক, অঞ্জিলা, শাহনুর, এম দি মনসুর অলম, ইকলিল অহমদ, এম দি শাহনুন, এম দি জাকির খান, মাইবম সেমসন, উমর, টি এম সুফিয়ান শাহ, অপসানা খানম অমদি অমিট শাহনি।

অমরোমদা, নেসনল সিটো রু কারাটে দো একাদেমিগী চীফ এদভাইজর এম দি হেলালউদ্দিননা থাদোরকপা চেরোল অমদা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্না ষ্টেটকী মিংচৎ উরোং পুরক্তুনা হল্লকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌজল পীরক্লি।

### রাঞ্জি ট্রোফি ২০২২-২৩

# মিজোরামনা রন ৯৪ শোথনা লৈরি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৪(ঐচএনএস): নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা রাঞ্জি ট্রোফিগী মণিপুর অমদি মিজোরাম অনীনা শান্নরিবা মেটচকী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা মিজোরামনা রন ৯৪ শোথনা লৈরি।

মিজোরামনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৩৫.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ১০৪ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা মণিপুরগী বোলর জোটিন ফৈরোইজমনা ওভর ১১ লংবদা ৱিকেট ৪ অদুগা বিশ্বরজিৎনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌখি।

মণিপুরগী অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ১০৬.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ২৭৭ লৌবা ঙমখি। মিজোরামনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংগী হৌজিক ফাওবদা ওভর ৩৩দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৭৯ লৌবা ঙমখ্রে। ইন্নিংসকী মখা তাবা শরুক শগোলশেন নুমিৎতা চথরগনি।

# অম্ফাগী অশোয়বা শেমদোক্নবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৪(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা ইন্দিয়ন ফুটবোল লীগ সেকেন্দ দিভিজনগী টিম নোমিনেট তৌবগী মতাংদা তৌরিবা অশোয়বশিং মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা শেমদোকপীনবা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এন মঙ্গিনা খঙহল্লক্লি।

অম্ফাগী অশোয়বা অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফুটবোলগী ফেনশিং অমদি স্পোর্টস লভরশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। থৌওং অসিনা নহা ওইরিবা টেলেন্ট লৈরবা ফুটবোল্লরশিং অমদি ফেনশিংগী সেন্টিমেন্টতা চৈথেং পীবগা লোয়ননা লেমজনিংঙাই ওইরবা এসোসিএসন অসিবু মিংচৎ থিহল্লে হায়রি।

### রবিচন্দ্র ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# নাওবগী গোলনা অরাপ্তি এফ সীনা মঙাং এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ৪(ঐচএনএস): এন নাওবনা চনখিবা গোল ৪গী মতেংনা অরাপ্তি এফ সীনা মঙাং এফ সী নম্বোলবু ৪-৩দা চথরিবা ১২শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি ক্যামগৈ ময়াই লৈকাই প্লেগ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

নাওবগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী মরিশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ২৩ অমদি ৪২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মঙাং এফ সীগী গোল ৩ অদুনা প্রেমনা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা গোল ১ অদুগা রাজানা শান্নবগী ৩৩ অমদি ৫০ শুবা মিনটতা গোল ২ চনখি।


অমরোমদা, ঙসি শান্নগনি তৌরম্বা অপূনবা এফ সী অমদি গম্ভীর সিংহ অনীগী মেটচ করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী ঙসি শান্নখিদ্রে। মেটচ অসি শগোলশেন নুমিৎতা শান্নরগনি হায়না য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এডল্টস এসোসিএসন (উপা) ক্যামগৈগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট যাদবচন্দ্র হাওবমনা খঙহল্লক্লি।

# পুখাও এফ সী অমদি ৱাই ও সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৪ (ঐচ এন এস): ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি ইরেংবন্দ হায় স্কুল প্লেগ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পুখাও এফ সী অমদি ৱাই ও সী এফ সী তেন্থা ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।


তেন্থাগী গোল অদু কিষননা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা চনখি অদুগা পুখাওগী গোল অদুনা অবুংঙোনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস দি ও পল্লেলনা বোলেরো এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। এস দি ওগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদুনা এ মখোননা শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা চনখি।



HL-B/7933/4/12-3/02

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 678**

**GM Johan-Sebastian Christiansen (2578) - GM Vladimir Burmakin (2498)**
**World Rapid 2022 Almaty KAZ, 2022.12.28**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 d5 | 2.c4 c6 | 3.g3 Nf6 | 4.Bg2 Bf5 |
| 5.O-O e6 | 6.cxd5 exd5 | 7.d3 Be7 | 8.Nc3 Nbd7 |
| 9.e4 dxe4 | 10.dxe4 Bg4 | 11.e5 Bxf3 | 12.Qxf3 Nxe5 |
| 13.Qe2 Ng6 | 14.f4 O-O | 15.f5 Bc5+ | 16.Kh1 Ne7 |
| 17.g4 Ned5 | 18.g5 Nxc3 | 19.bxc3 Nd5 | 20.c4 Nb4 |
| 21.Bb2 Qxg5 | 22.Rg1 Qh6 | 23.Bd5 Bxg1 | 24.Rxg1 cxd5 |
| 25. ... | | | |

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 677 Ans. :**

31. Nxg7 The white knight decoys Black's king. Kxg7 32. f5 exf5 33. Bh6+ Kg8 34. Qg3 Kh8 35. Rxf8+ The white rook captures Black's bishop, which was defending the square g7. Opening the line from g3 to g7. Nxf8 36. Qg7# Damiano's bishop mate
1-0

HL-B/7893/13/12-12/-1






HL-P/1068/24/12-5/1



HL-P/5089/2/12-30/01

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com